হিরো আই লীগ ২০১৮-১৯

# য়ূম্বু ইষ্ট বেঙ্গলনা নেরোকা এফ সীবু মায়থীবা পীরম্নগা পোইন্ট টেবলদা ৪শুবা পোজিসন্দা লৈখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭ (ঐচএন এস)ঃ ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হিরো আই লীগকী লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসি কোলকটাগী ইষ্ট বেঙ্গালনা য়ূম্বু ওইদুনা যুব ভারতি ক্রিরনগন, সোল্ট লেক ষ্টেদিয়মদা মণিপুরগী নেরোকা এফ সীগী শান্নখিবা মেচতা য়ূম্বু ইষ্ট বেঙ্গলনা নেরোকা এফ সীবু মায়থীবা পীরম্নগা পোইন্ট টেলিদা ৪শুবা পোজিসন্দা লেংদনা লৈরি।



লৈবাক অসিগী ফুটবোল ক্লব ১১না শরুক য়াদুনা তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ খায়দোক্তুনা পাঙথোক্লিবা হিরো আই লীগ ২০১৮-১৯গী লীগ মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৫.০২ তাবা মতমদা মণিপুরগী নেরোকা এফ সী অমসুং কোলকটাগী ইষ্ট বেঙ্গলগা লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অঙনবা মতম অহুমশুবা মিনটতা নেরোকা এফ সীগী শান্নরোয় জপান মচা কাটসুমিনা পীরকপা পাস অমা নেরোকাগী শান্নরোয় ভুটান মচা চেনচো গেল্টসেননা পাঞ্জল ওইনা ওন্থোক্তুনা মেচ অদু নেরোকা এফ সীনা অঙনবা মতমদা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

টিম অনীনা পোইন্ট অহুম ফংনবগীদমক মেচ অদু মায় পাক্লবা অকনবা লম্বা তৌনবগা লোয়ননা য়াঙনা শান্নরকপা হৌখি। মেচকী ১২শুবা মিনটতা নেরোকাগী দিফেন্দর জর্সি নম্বর ৫ লিবেরিয়া মচা ভার্নে কালোন কেন্টঙ্বা জুনিয়রনা ইষ্ট বেঙ্গালগী মায়োক্তা অন স্পোর্টিং বিহেবিয়রগীদমক রেফ্রিনা য়েলো কার্দপীখি।

নেরোকাগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চন্নবগীদমক ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়োক্তা এটেক কয়া চথরকখি। মেচকী ৩১শুবা মিনটতা ইষ্ট বেঙ্গালগী মিদ ফিল্ডরজর্সি নম্বর ২০ লালরিনি দকা রালদেনা নেরোকা এফ সীনা চথরকপা এটেক অমা দিফেন্দ তৌনবা হোৎনবদা ফাওল তারুবদগী রেফ্রিনা য়েলো কার্দপীখি।

মিনট ৬ কান্নরগা ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী অমুক জর্সি নম্বর ৫ দিফেন্দর কমলপ্রিট সিংহনা ক্রোসিংগীদমক রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমুক্কসু পীখি। টিম অনীনা পাঞ্জল চন্ননবা এটেক কয়া চথনরবসু লম্বা চানা শান্নখিবনা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা নেরোকা এফ সীনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগা ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোয়শিংনা অহানবা হাফতা শান্নখিবা মওংদগী মেচ অদু মায় পাক্লবগীদমক ফজনা শান্নরকখি। মেচকী ৬২শুবা মিনটতা ইষ্ট বেঙ্গালগী দিফেন্দর জর্সি নম্বর ৩ স্পেন মচা বোর্জা গোমেজ

| | Club | P | W | D | L | GF | GA | GD | Pts. |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Real Kashmir | 16 | 9 | 5 | 2 | 19 | 8 | 11 | 32 |
| 2. | Chennai City | 14 | 9 | 3 | 2 | 31 | 18 | 13 | 30 |
| 3. | Churchill Brothers | 16 | 8 | 5 | 3 | 29 | 17 | 12 | 29 |
| 4. | East Bengal | 14 | 9 | 1 | 4 | 25 | 16 | 9 | 28 |
| *5.* | *Neroca* | *16* | *7* | *4* | *5* | *21* | *17* | *4* | *25* |
| 6. | Mohun Bagan | 15 | 6 | 4 | 5 | 19 | 18 | 1 | 22 |
| 7. | Indian Arrows | 16 | 5 | 1 | 10 | 13 | 22 | -9 | 16 |
| 8. | Aizawal FC | 15 | 3 | 5 | 7 | 16 | 22 | -6 | 14 |
| 9. | Minerva | 16 | 3 | 5 | 8 | 8 | 15 | -7 | 14 |
| 9. | Gokulam | 15 | 2 | 6 | 7 | 19 | 25 | -6 | 12 |
| 11. | Shillong Lajong | 15 | 3 | 1 | 11 | 17 | 39 | -22 | 10 |

পেরেসনা নেরোকা এফ সীগী মায়োক্তা ফাওল তৌরুবদগী রেফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি। মিনট ১ কান্নরগা মেচকী ৬৩শুবা মিনটতা ইষ্ট বেঙ্গালগী মায়োক্তা চথরকপা এটেক অমা নেরোকাগী জর্সি নম্বর ১২ মিদফিল্ডর সুভাসনা ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা ফাওল তারুবদগী রেফ্রিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

মেচকী ৬৭শুবা মিনটতা ইষ্ট বেঙ্গালগী জে সান্তোসনা পীরকপা পাস অমা জর্সি নম্বর ৯ মেক্সিকো মচা এনরিক এস্ক্যুদানা পাঞ্জল ওইনা ওন্থোক্তুনা নেরোকা এফ সীগী পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু ইষ্ট বেঙ্গাল অমদি নেরোকা পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি।

মেচকী ৮৬শুবা মিনটতা ইষ্ট বেঙ্গালনা চথরকপা ফজরবা এটেক অমা নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগী দিফেন্দ তৌহৌদবদগী এস মালিকনা পীরকপা ফজরবা পাস অমা এনরিক্সনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনশিন্দুনা মেচ অদু ইষ্ট বেঙ্গালনা পাঞ্জল ২-১দা লৈদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি।

নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগীসু ইষ্ট বেঙ্গালনা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থানা লৈরবসু নিংহন্নবা লৈতনা এটেক কয়া চথরকখি। মেচকী ৮৯শুবা মিনটতা নেরোকাগী জর্সি নম্বর ৭ রোনাল্ড সিংহ সাইখোম্না ইষ্ট বেঙ্গালগী মায়োক্তা ফাওল তারুবদগী রেফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি। ইঞ্জুরি টাইম মিনট ৫ লোইশিল্লকপা ফাওবদা নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগী ইষ্ট বেঙ্গালগী মাঙজিল থারিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি।

অহানবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন মেন বোল্লিবোল ২০১৯

# অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলদা কে এল ৱাই দি সী-এ, য়ু এস দি সী শান্নরগনি



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭(ঐচএন এস)ঃ কাংমোং লাঙ্গোলজম য়ুথ গাইদেন্স ক্লব (কে এল ৱাই দি সী) না শীন্দুনা ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএ-সন (এ এম ভি এ) গী মীৎয়েং মখাদা কাংমোং লাঙ্গোলজম কাংজৈবুংগী লম্পাক্তা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী মেচশিং লোইশিনখিবগা লোয়ননা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা কে এল ৱাই দি সী-এ কাংমোং অমসুং য়ু এস দি সী উপোকপী শান্নরগনি।

টিম ১৩না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ সীগী ৱাই দি সী খোইরোম অমসুং রেদো ইরোং শান্নগদবা মেচ অদু রেদো লাক্তবদগী ৱাই দি সীনা ৱাক ওভর ফংদুনা মায় পাকখি।

ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ দিগী এস ৱাই দি সী সন্থেল অমদি কে এল ৱাই দি সী-বি কাংমোং লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা এস ৱাই দি সীনা সেট ৩-০ (২৫-১১, ২৫-২০, ২৫-১২) দা; অহুমশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ সীগী ভি দি সী ওইনাম অমসুং রেদো ইরোং শান্নগদবা মেচ অদু রেদো লাক্তবদগী ভি দি সীনা ৱাক ওভর ফংদুনা মায় পাকখি।

মরিশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ দিগী এস ৱাই দি সী সন্থেল অমসুং য়ু এস দি সী উপোকপী শান্নখিবা মেচ অদু এস ৱাই দি সীনা সেট ৩-০ (২৫-২১, ২৫-১৭, ২৫-২০) দা; মঙাশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ সীগী ৱাই দি সী য়াইরিপোক খোইরোম অমসুং এ এম ৱাই সী অন্দ্রো শান্নখিবা মেচ অদু ৱাই দি সীনা সেট ৩-১ (২৫-১৮, ২৫-১২, ২১-২৫, ২৫-২০) দা; তরুকশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী ঐচ ৱাই দি সী সী এল হৈগ্রুজম অমদি এন ৱাই দি সী খাইদেম শান্নখিবা মেচ অদু ঐচ ৱাই দি সী সী এলনা সেট ৩-০ (২৫-১৯, ২৫-১৯, ২৫-২৩দা; তরেৎশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী কে এল ৱাই দি সী -এ কাংমোং অমদি এস ৱাই সী-সতুদাই খৌপুম শান্নখিবা মেচ অদু কে এল ৱাই সী-এনা এস ৱাই সীবু সেট ৩-২ (১৫-২৫, ২৫-১৭, ২৫-১৯, ১৭-২৫, ১৫-১১দা অমসুং ঙসিগী অরোইবা অমসুং ৮শুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ সীগী এ এম ৱাই সী অন্দ্রো অমসুং ভি দি সী ওইনাম শান্নখিবা মেচ অদু এ এম ৱাই সীনা সেট ৩-১ (২৫-২১, ২১-২৫, ২৫-১৩, ২৫-১৭) তা মায় পাকখি। টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা ক্বার্টরদা হয়েং কে এল ৱাই দি সী-এগা য়ু এস দি সীগা, অনীশুবা ক্বার্টরদা এস ৱাই দি সী অমদি এস ৱাই সী শান্নগনি।

২শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা থর্দ দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# আই এফ এনা এফ সী ইম্ফাল, সী ৱাই এল সীনা কে ৱাই সী মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭ (ঐচএনএস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন (আই দব্লিয়ু দি এফ এ) না শীন্দুনা পাৎশোই পার্ট টুগী পময়াল গ্রাউন্দদা চথরিবা ২শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিএল থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা আই এফ এ লম্ফেলনা এফ সী ইম্ফাল ময়ায় কোয়বী অমসুং সী ৱাই এল সী পিশুম চীংঙামথক্না কে ৱাই সী খুরখুলবু মায়থীবা পীখ্রে।



টিম ১২না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ২শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিএল থর্দদিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী গ্রুপ বিগী ১৩শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা আই এফ এ লম্ফেল অমসুং এফ সী ইম্ফাল ময়ায় কোয়বী শান্নখি।

মেচ অদুগী অহানবা মীৎকুপ্তগী হৌনা টিম অনীনা মায় পাক্লবগীদমক অকনবা এটেক কয়া চথনদুনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী তঙ্খাই চল্লকপা মীৎকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদে।

মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী এটেক কয়া চথনরবসু লম্বা চানা শান্নখিবনা পাঞ্জল চন্নদনা মেচ অদু ০-০দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফকী ৩৯শুবা মিনটতা আই এফ এগী জর্সি নম্বর ১২ জি গোনমৈনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবদা নত্তনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোক্লগা আই এফ এনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি।

এফ সী ইম্ফালগী শান্নরোয়শিংনা গোনমৈনা চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তবা য়াদে মতাগুম এটেক কয়া চথরক্তুনা শান্নরকপা হৌরকখি। আই এফ এগী মায়কৈদগীসু এফ সী ইম্ফালনা চথরক্লিবা এটেকশিং অদু নিংথিনা দিফেন্দ তৌদুনা ফজনা শান্নখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপা ফাওবদা এফ সী ইম্ফালগী মায়কৈদগী আই এফ এগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু আই এফ এ লম্ফেলনা এফ সী ইম্ফাল ময়ায় কোয়বীবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ বিগী লীগ রাউন্দগী ১৪শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা কে ৱাই সী খুরখুল অমসুং সী ৱাই এল সী পিশুম চীংঙামথক শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা মায় পাক্লবা অহানবা মীৎকুপ্তগী হৌনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ২৪শুবা মিনটতা সী ৱাই এল সীগী জর্সি নম্বর ২৪ আইন্সটাইননা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চল্লগা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। মিনট ৩ কান্নরগা মেচকী ২৭শুবা মিনটতা সী ৱাই এল সীগী জর্সি নম্বর ১২ পিটরনা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মেচ অদু অনীশুবা হাফ লোইবা ফাওবদা সী ৱাই এল সীনা পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা কে ৱাই সীগী মায়কৈদগী সী ৱাই এল সীগী মাঙজিল থাদুনা চৎলিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি।

# মিরাবাইনা থাইলেন্দদা পাঙথোকপা ইন্টর্নেসনল ৱেটলিপ্টিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ০৭ (এজেন্সী)ঃ মশাগী অশোকপা লৈরুবা মতুং ইনি দয়াগী নুপীগী ৱেথলিপ্টিংগী ৱর্ল্ড চেম্পিয় মণিপুরদগী হৌখিৱী সাইখোম মিরাবাই চনুনা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ১০ ফাওবা থাইলেন্দগী সিটি শিয়াং মাইদা পাঙথোক্লিবা ই জি এ টি কপ ইন্টর্নেসনল ৱেথলিপ্টিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেদল অমা ফংবা ঙমদুনা লাক্কগৌরিবা কুমজা ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী শেমশাবদা য়াম্না অচৌবা খুদোংচাবা অমা ফংবা ঙমখ্রে।




কমনৱেল্থ অমসুং ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রৱী মিরাবাই চনুনা মমাংগী চহীদা পাঙথোকখিবা ইন্দোনেসিয়া এসিয়ন গেমস অদু মশাগী খ্বাং শোকপদগী শরুক য়াবা ঙমদনা কুমজা ২০১৮গী থা ৬ হেন্না শান্নবা য়াওবা ঙমদনা মশাগী অশোকপা অদু লায়েংদুনা লাকখিবনি। অশোকপা অদু ফরবা মতুং অহানবা ওইনা মিরাবাই চনুনা মহাক্কী করিয়রগী অহানবা ইন্টর্নেসনল কম্পিটিসন অমা ওইনা থাইলেন্দগী সিটি শিয়াং মাইদা পাঙথোকখিবা অদুদা মহাক্কী কেজি ৪৮গী কেটগরিদা পূন্না কিলোগ্রাম ১৯২ থাংগৎতুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

ইভেন্ট অদুদা গোল্ড মেদল ফংখ্রবী মিরাবাই চনুনা ফোংদোকখিবদা মহাক মশামক্না শোক্লরবা মতুং থাইলেন্দগী ইন্টর্নেসনল ৱেথলিপ্টিং কম্পিটিসন অদুদা শরুক য়াবা ঙমখিবা অদু মশাগী মায়কৈদগী চাদা ১০০ ফিট ওইরে হায়না থাজবা থমখি। থাইলেন্দগী কম্পিটিসন অদুদা মহাক্কী পর্ফোমেন্স অদু য়াম্না ফজবা ঙমখিদ্রবসু অশোয় অঙাম য়াওদনা মকোক ওইবা ঙমখিবা অদুদা মশাগী ওইনা পেঞ্জবা ফাওখি হায়না ইন্দিয়াগী পাউগী এজেন্সি অমগা ৱারী শান্নবদা ফোংদোকখি।

থাইলেন্দগী ইন্টর্নেসনল ৱেথলিপ্টিং কম্পিটিসন অদুদা ইনিদয়াগী মিরাবাই চনুনা কেজি ৪৮গী কেটগরিদা কেজি ১৯২ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেদল ফংখিবা অদু মহাক্কী করিয়রগী লৈখিবা কিলোগ্রাম ১৯৬কী রেকোর্দ অদুদগী কিলোগ্রাম ৪ হন্থখি। মিরাবাই চনুনা মখাতনা ফোংদোকখিবদা মহাক্না কুমজা ২০১৭তা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখিবা অদুদা কিলোগ্রাম ১৯৪ থাঙ্গৎখিবা অদুদগী শুপ্নগী কিলোগ্রাম ২ হন্থখিবা অদুনা মখাতাবা কুম্পিটিসনশিংদা অহেনবা পর্ফোমেন্স পুথোক্তুনা অহেনবা রেকোর্দ থম্বা অমদি ওলিম্পিক্তা মেদল ফংবগী অচৌবা মঙলান অদুদি অদুম্মক থম্লি হায়না ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াবদি মিরাবাই চনুনা হৌখিবা চহীদা পাঙথোকখিবা ৱুমেন্স ৱর্ল্ড ৱেথলিপ্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অদু মশা শোকপদগী শরুক য়াবা ঙমখিদবনি। মদুগী মতুং ইন্দোনেসিয়াদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমস অদুদা গোল্ড মেদল লৌগনি হায়বগী অচৌবা মঙলান অমসু থমখিবনি। অদুবু মশাগী অশোকপা অদুনা মরম ওইদুনা শরুক য়াবা ঙমখিদবনি।

মশাগী চহী ২৪দা ঙাইরিৱী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মিরাবাই চনুনা থাইলেন্দগী শিয়াং মাইদা ঙসিদগী হৌখিবা ই জি এ টি কপ ইন্টর্নেসনল ৱেথলিপ্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা স্নেটসতা কিলোগ্রাম ৮২ অদুগা ক্লিন এন্দ জর্কতা কিলোগ্রাম ১৯৪ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবনি। ইভেন্ট অদুদা জপানগী ৱেথলিপ্তর মিয়াকি হিরোমিনা পূন্না কিলোগ্রাম ১৮৩ থাঙ্গৎলগা সিলভর মেদল ফংখি অদুগা পাপুৱা ন্যু জিনিগী লোৱা দিকা টোৱানা কিলোগ্রাম ১৭৯ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি।

৯শুবা লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ এন্দ ইনভাটিজস কেন্দ্র মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# পপ (জি) খুন্দ্রাকপমনা পুরৈরোম্বা এফ সী লমলাই পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে, আই এন জে সী ইতম নুঙ্গোই অমদি পি য়ু ৱাই সী পুংদোংবম দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭ (ঐচএন এস)ঃ চালৌ য়ুথ য়ুনিয়ন ক্লবনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা চথরিবা ৯শুবা লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ এন্দ ইনভাটিজস কেন্দ্র মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট (চালৌ কপ) ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা পপ (জি) খুন্দ্রাকপমনা পুরৈরোম্বা এফ সী লমলাই পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা আই এন জে সী ইতম নুঙ্গোই অমদি পি য়ু ৱাই সী পুংদোংবম দ্রো চৎখ্রে।



টিম ২৬না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ৯শুবা লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ এন্দ ইনভাটিজস কেন্দ্র মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী তরুকশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ দিগী আই এন জে সী ইতম নুঙ্গোই অমসুং পি য়ু ৱাই সী পুংদোংবম শান্নখি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফকী তঙ্খাই চল্লকপা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চন্নবা এটেক কয়া চথনরবসু লম্বা চানা শান্নখিবনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈনখি। অহানবা হাফকী লোইরমদাই মীৎকুপ মেচকী ১৮শুবা মিনটতা আই এন জে সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৮ সোমোন্দ্রোনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চল্লগা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। মিনট ১ কান্নরগা আই এন জে সীগী সনাথোইনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনশিল্লগা আই এন জে সীনা পাঞ্জল ২-০দা অমুক মাঙজিল থাখি। অহানবা হাফকী অরোইবা মীৎকুপ মেচকী ২০শুবা মিনটতা পি য়ু ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ২২ টি ঐচ প্রেমজিৎনা আই এন জে সীগী মাঙজিল থারিবা অহানবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লগা মেচ অদু পি য়ু ৱাই সীনা পাঞ্জল ১-২দা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগা পি য়ু ৱাই সীগী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদু লাকশিন্দুনা শান্নরকপা উখি। মেচকী ২৮শুবা মিনটতা পি য়ু ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ৮ এল দেনিলনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনশিন্দুনা মেচ অদু আই এন জে সী অমদি পি য়ু ৱাই সী পাঞ্জল ২-২দা লৈনখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা মেচ অদু পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখি।

লীগ রাউন্দগী ৭শুবা মেচ ওইনা গ্রুপ এগী পপ (জি) খুন্দ্রাকপম অমসুং পুরৈরোম্বা এফ সী লমলাই শান্নখিবা মেচ অদু পপ (জি) পাঞ্জল ২-১দা মায় পাকখি। পপ (জি) গী পাঞ্জলশিং অদু এ বিজেন অমদি দব্লিয়ু প্রকাসনা চনখি।

HL-B/5178/6/02-10/4(alt.)




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com